# অল-বাব সিটিদা লৈবা আই এসকী পোষ্টশিংদা টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা এটেক তৌখ্রে



দমাস্কস, অঙ্কারা, ফেব্রুৱারী ০৯ :
টর্কিনা শৌগৎপা সিরিয়াগী ওপোজিসন ফাইটরশিংনা শগোলশেল নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটনা পায়শিনবা অল-বাব সিটি মনুংদা অমুক হন্না অচৌবা লান্দা অমা চথবা হৌখ্রে। অলেপ্পো প্রোভিন্সতা লৈবা আই এসকী ষ্ট্রোংহোল্ডদা গ্রুপ অসিগী দিফেন্সশিং থুগায়রবা মতুং নোংমা লৈরগা ওপোজিসন ফাইটরশিংনা অল-বাব মনুংদা ওফেন্সিভ অমুক তৌখিবনি।

য়ুফ্রেটিজ সিল্ড ফোর্সশিংগী রেবেল কম্যান্দর অমনা হায়খি, ফ্রী সিরিয়ন আর্মি (এফ এস এ) গী ফাইটরশিংনা টর্কিশ কম্যান্দরশিংগা থবক তৌমিন্নদুনা মখোয়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থোমজিনখিবা সিটি অদুগী নোংচুপ থংবা গেটশিংগা নক্লবা টৈরটরিদগী চঙশিনখি।

‘ঙরাং এচিভ তৌখিবশিং মপুং ফাহন্নবগীদমক্তা ঙাইহাক্কী মমাঙদা লাল হৌখ্রে’ হায়না অল-বাবতা লাল শোক্লরিবা মরু ওইবা এফ এস এ গ্রুপ অমগী কম্যান্দর অমনা হায়খি।

অল-বাবকী অৱাং নোংপোক্লোমদা মখোয়না মরু ওইবা ভিলেজ অনীসু নৌনা পায়শিনবা ঙমখ্রে। মমাঙদা শোক্লখিবা লালদা সুইসাইদ এটেক কয়া তত্তনা চথবদগী মখোয় মফম্মদুদগী হন্দোকখিবনি।

নোংথক্তগী রেইদ তৌদুনা অমসুং আর্টিল্লিরি ষ্ট্রাইককশিং চথদুনা অমসুং নোদর্ন সিরিয়াদা খুৎ শোক্লবদা মখোয়না মিলিটেন্ট ৪৪ হাৎখ্রে হায়না টর্কিশ মিলিটরিনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন ফোর্সশিংনা অল-বাবতা চঙশিনখিবসিনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ষ্ট্রোংহোল্ড অমদা অকিবা পোকহল্লি অমসুং মফম অদু টর্কিনা শৌগৎপা ওপোজিসন ফাইটরশিংগী মখুৎতা তাখিবা তারবদি নোদর্ন সিরিয়াগী এরিয়া অমদা টর্কিগী ঈথিল হেনগৎলক্লগনি হায়রি।

গ্রুপ অসিনা মফম অদুদা দি ফেক্টো বফর জোন অমা শেমখিবনি।

সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংসু খারোমদগী অল-বাবতা চঙশিন-খিবগা লোয়ননা চহী তরুক শুরক্লবা কনফ্লিক্ট অদুগী খ্বাইদগী লুবা বেট্টলফিল্ডশিংগী মনুংদা অমদা মখোয় টর্কিশ অমসুং রেবেল য়েক্লবশিংগা নকশিন্নখ্রে হায়রি।

তৌইগুম্বসুং সিরিয়ন ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবা থিংনবা ইন্টরনেসনল কোওর্দিনেসনগী থৌওং অমা চথরি হায়না টর্কিনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন আর্মি অমসুং মসিগী মীচংশিংনা লম কয়া মথং মথং পায়শিনদুনা খা থংবা চিদাই ফাওবা য়ৌশিনবা ঙমখ্রবা মতুংদা টর্কিশ কম্যান্দরশিংনা অল-বাবতা চঙশিন্নবগী অয়াবা পীখিবনি হায়না রেবেল ওফিসল অমনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

রেজিমগী ফোর্সশিংনা সিটি অদুদা য়াম্না নকশিনখিবদগী টর্কিশ কম্যান্দরশিংনা ওপরেসন থুজিন্নবা ঐখোয়গা (সিরিয়ন ওপোজিসন ফাইটর) ৱারেপ অমা লৌমিন্নখি’ হায়না মহাক্না হায়খি।

## ষ্টাফ ৬ গনমেনশিংনা হাৎখিবদগী রেদ ক্রোসনা অফঘানিষ্টানদা তেংবাঙগী থবক লেপখ্রে




মজর-আই-শরিফ, ফেব্রুৱারী ০৯ :
উন পুবা অকনবা নুশিৎশিংনা শাথিবা চৈথেং পীরবা মনুং হঞ্জিনবা নোদর্নরিজনদা ইমরজেন্সিগী তেংবাঙ য়ৌহনবদা মতেং পাঙলিবা ইমপ্লোয়ী তরুক গনমেনশিংনা হাৎখ্রবা মতুংদা ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফদ রেদ ক্রোস (আই সি আর সি) না অফঘানিষ্টানদা পাঙথোক্লিবা ওপরেসনশিং য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী লেপখ্রে।

জোজান প্রোভিন্সকী গভর্ণরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা হায়খি, তেংবাঙগী পোৎলমশিং পুবা কনভোই অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী গনমেনশিংনি চিংনবশিংনা এটেক তৌখিবনি। আই সি আর সিগী মকোক্না থৌদোক অদু চহী ২০ গী মনুংসিদা ‘ঐখোয়দা চথবা খ্বাইদগী ফত্রবা থৌওংগী এটেকনি’ হায়খি, তৌইগুম্বসুং চেরিটি অদুনা মদু কনানা চথখিবনো হায়বদুদি চপ চানা ফোঙদোকপা ঙমখিদে। য়ুমশকৈশাগী অহিং অথেংবদা মাংখিবা চেরিটিগী ৱার্কর অনী থিবগী ওপরেসন অমা হৌজিক চথুরি হায়রি।

‘হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়না ৱাফমসি ফোঙদোক্লিঙেঁ মতমসিদা ঐখোয়গী ওপরেসনশিং লেপ্লি, মরমদি ঐখোয়না ওপরেসন মখা চথবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চপ চানা করি থোকখিবগে হায়বদু খঙদোকপগী তঙাই ফদবা লৈ’ হায়না আই সি আর সিগী ওপরেসন্সকী দিরেক্টর দোমিনিক ষ্টিলহার্টনা জিনেভাদা রোইটর্জদা হায়খি।

অফঘানিষ্টান অসি মালেমদা আই সি আর সিগী মরিশুবা খ্বাইদগী চাউবা হ্যুমেনিটেরিয়ন প্রোগ্রামনি হায়না ষ্টিলহার্টনা হায়খি অমসুং এটেক অদু সিক্যুরিটিগী ইস্যুশিং হেনগৎলকপদগী লৈবাক অদুগী চাউরবা মফম কয়াদা তেংবাঙগী পোৎলমশিং ফংহনবদা খুদোংথীবা ফীভম কয়া মায়োক্লরক্লে হায়না হৌখিবা থাদা চেরিটি অসিনা চেকশিন-ৱারোল অমা ফোঙদোকখিবা মতুংদা চথুরকখিবনি।

## আই এস আই এসকী ষ্ট্রোংহোল্ডশিং অমুক হন্না থুনা পায়শিনবা ঙম্লগনি হায়না য়ু এস কম্যান্দরনা থাজরি

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৯ :
মথংগী থা তরুক্কী মনুংদা য়ু এসনা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ড অনী - সিরিয়াগী রাক্কা অমসুং ইরাক্কী মোসুল সিটি অনীমক অমুক হন্না পায়শিনবা ঙম্লগনি হায়না ইরাকতা লৈবা অমেরিকাগী টোপ কম্যান্দরনা থাজে হায়না কম্যান্দর অদুগী স্পোক্সমেন অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

অমেরিকান কম্যান্দর অদুগী স্পোক্সমেন এয়র ফোর্সকী কর্নেল জোন দোরিয়ননা য়ু এস আর্মিগী লেফটিনেন্ট জেনরেল ষ্টেফেন টাউনসেন্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং কনফার্ম তৌখি।

মথংগী থা তরুক ফাওবগী মনুংদা রাক্কা অমসুং মোসুলগী কেম্প্যেনশিং লোইশিল্লগনি হায়না ঐহাক্না থাজে হায়না এসোসিয়েটেদ প্রেসকী পাউনা টাউনসেন্দগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থীবা পীনবগী কেম্প্যেন থুজিন্নবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়জবদগী য়ু এস মিলিটরিনা থৌরাং অমা পুথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা গ্রুপ অদুগী মায়োক্তা শোক্লরিবা লাঞ্জংগী মতাংদা খ্বাইদগী নৌবা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি। থৌরাং অদু ফেব্রুৱারীগী অথেংবা শরুক ফাওবগী মনুংদা পুথোক্লবগী ৱাফম লৈখি। মোসুলদা লম খরা মাংখ্রবসু ইস্লামিক ষ্টেটনা সিরিয়ন টেরিটরিগী পাক চাউরবা মফম কয়া পায়শিন্দুনা লৈরি। ইষ্টর্ন সিরিয়াদা লৈবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী দি ফেক্টো কেপিটেল ওইরিবা রাক্কাদা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং অতৈগা অকনবা মওংদা লাল শোক্লরি। য়ু এসকী ওফিসলশিংনা সিটি অসি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী মায়োক্তা এটেক চথনবগী লাল্লোং লাকফমনি হায়না থাজরি।

এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না, পেন্টাগোন্না হৌজিকসু অহেনবা ফোর্সশিং হায়জবা য়াই। ইরাক অমসুং সিরিয়া অনীমক্তা অমেরিকান ক্রুপ ৯০০০ য়ৌদনা দিপ্লোই তৌরি। পেন্টাগোনননা অতৈ ওপসনশিং হায়বদি এটেক হেলিকোপ্টর মশিং অমসুং এয়র ষ্ট্রাইককশিং হেনগৎহনবা অমসুং অহেনবা আর্টিলরি পুশিনবগুম্বদা মিৎয়েং থম্বা য়াই। মিলিটরিনা লানফমদা অথুবা ৱারেপশিং লৌবা য়ানবগী অহেনবা ওথোরিটি ফংনবা হোৎনরকপসু য়াই। মদুনা কম্যান্দরশিংবু খুদোংচাবা থুনা লৌবা ঙমহনগনি হায়রি।

রাক্কাগী মায়োক্তা য়ু এসনা ওফেন্সিভ অমা চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী অয়াবা ঙাইরিবা অচৌবা পোলিসী ৱারেপশিংগী মনুংদা নেটোগী মীচঙ টর্কিনা টেররিষ্টশিংনি হায়না মরাল শীরিবা কর্দিশ ফাইটরশিংদা খুৎলায় পীশিনগদ্রা হায়বসি য়াওরি।

‘মসি অরুবা ফীভম অমনি মরমদি ঐখোয়না টর্কশিং অমসুং কর্দশিংবু মতম অমত্তদা ইনগেজ তৌবা অমসুং মখোয়বু অমগা অমগা লান শোক্নহন্দবা চঙই’ হায়না ৱাশিংটন ইন্সটিট্যুট ফোর নিয়র ইষ্ট পোলিসীদা সিরিয়াগী ৱাফমগী এক্সপার্ট অমা ওইরিবা অন্দ্র্যু টেবরলনা হায়খি।




## ব্রেক্সিট হৌনবা য়ু কে পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনবদা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা মায় পাকখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ০৯ :
প্রাইম মিনিষ্টর টেরিসা মেবু বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী মতাংদা মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা মরু ওইবা নিগোসিয়েসন হৌনবগী পৱার পীবা বিল অমা ঙসি বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর অয়াম্বনা শৌগৎনখিবগা লোয়ননা ব্রেক্সিটকী মায়কৈরোমদা খোঙথাং অমসু চঙশিনখ্রে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (নোটিফিকেসন ওফ ৱিঠদ্রোঅল) বিলগী ড্রাফট লেজিসলেসন অদু অরোইবা দিবেট তৌনরবা মতুংদা হাউস ওফ কম্মন্সতা ভোট লৌনবদা মেম্বর ৪৯৪ না শৌগৎতুনা এপ্রুভ তৌখি। মেম্বর ১২২ না মদুগী মায়োক্তা লৈখি।

বিল অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মেবু কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী নন-মেম্বর অমা ওইনা য়ু কেগী অনৌবা দিলগীদমক্তা চহী অনীগী নিগোসিয়েসন হৌবা য়ানবা লিজবন ত্রিটিগী আর্টিকল ৫০ শিজিন্নবা ঙমহল্লি।

হৌজিক বিল অদু হাউস ওফ কম্মন্সনা পাস তৌখিবগা লোয়ননা মদু রিসেস মতুং ফেব্রুৱারী ২০ দা হাউস ওফ লোর্দসতা দিবেট তৌনদুনা অরোইবা অয়াবা পীরগনি।

বিল অদু ভোট লৌননবগীদমক্তা অহুমশুবা অমসুং ফাইনেল রিদিং তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা হাউস ওফ কম্মন্সনা নিগোসিয়েসন প্রোসেসকী মরু ওইবা প্রিন্সিপলশিং য়াওনা মদুগী অরোইবা এমেন্দমেন্টশিংগী মরমদা দিবেট তৌনখি।

এমেন্দমেন্টশিং য়াওরবসু য়াওদ্রবসু বিল অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীনবা ওপোজিসন লেবর লিদর জেরেমি কোর্বিননা মহাক্কী এম পিশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখি হায়রি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী অঙনবদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী ভোটতা এম পি ৪৯ না হ্বিপ ইনখিদবগা লোয়ননা কোর্বিননা অনীশুবা রাউন্দগী লালহৌ অমা মায়োক্লখি। মাঙজৌননা রিজাইন তৌখিবা সেদো বিজনেস সেক্রেটরি ক্লাইভ লিৱিজ য়াওনা লেবরগী এম পি ৫২ না ঙসিগী ভোট অদুদা হ্বীপকী মায়োক্তা লৈখি। বিল অদুগী মমাঙগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা অহানবগী ভোটতা শরুক য়াখিদবা সেদো হোম সেক্রেটরি দাইএন এবোট হন্দক্তি বিল অদুবু শৌগৎতুনা ভোটতুদা শরুক য়াখি।

মহাক্না বি বি সিদা হায়খি মদুদি, টেরিসাগী ব্রেক্সিটকী থৌরাংদা মঙোন্দা চিংনবা কয়া লৈখি অমসুং য়ু কেনা মমৈথংদা নিঙম্লক্লোই হায়না প্রিদিক্ট তৌখি। ‘ঐহাক সেদো কেবিনেটকী লোয়েল মেম্বর অমনি অমসুং ঐহাক জেরেবি কোর্বিনদা লোয়েল ওই।’

প্রাইম মিনিষ্টর মে মশামকসু কঞ্জাভের্টিভ এম পি দজন অমরোমনা মহাক্কী মায়োক্তা লৈবগী ফীভম অমা মায়োক্লখি তৌইগুম্বসুং মহাক্না পার্টিগী মনুংগী লালহৌ অদু ব্রেক্সিট এগ্রীমেন্ট ফাইনেল তাদ্রিঙৈগী মমাঙদা কম্মন্সতা ভোট লৌনগনি হায়না থাজবা পীদুনা হন্থহনখি।



## টন্নেলদা বোম্মিং চথবদগী গজাদা পালেষ্টিনিয়ন ২ শিখ্রে

গজাদা, ফেব্রুৱারী ০৯ :
ইজিপ্টকী বোর্দর মনাক্তা লৈবা টন্নেল অমদা শগোলশেল নুমিৎতা ইজরেলিশিংনা বোম্মিং তৌবদগী পালেষ্টিনিয়ন অনী শিখ্রে হায়না গজাগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে, তৌইগুম্বসুং ইজরেলি মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি মদুদা চেন্নখিদে হায়খ্রে।

গজাগী হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেনগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, পালেষ্টাইন অমসুং ইজিপ্টকী বোর্দর পরিংদা ইজরেলি ৱারপ্লেন অমনা বোম্মিং এটেক চথবদগী মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙানা শোকখ্রে।

অমরোমদা ইজরেলি মিলিটরিগী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়খি মদুদি, নোংঙাল্লমদাইদা চথখিবা এটেক অদুগী মতাংদা মঙোন্দা নোলেজ লৈতে। থৌদোক অদুগী পুং খরগী মমাঙদা ইজরেলি মিলিটরিগী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি ইজিপ্টকী সিনাই পেনিন্সুলাদগী ইজরেলগী সাউদর্ন টাউন ঐলাটতা কাপ্পখিবা রোকেট কয়া মিলিটরিনা ইন্টরসেপ্ট তৌখি।

রোকেট অমা অহাংবা এরিয়া অমদা তাশিল্লকপদগী মীশি-মীনা নৎত্রগা অমাঙ-অতা থোকখিদ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা রোকেটশিংদু মখোয়না কাপখিবনি হায়না ক্লেম তৌবা লৈখিদে। মমাঙদা সিনাইদা বেজ তৌবা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা গ্রুপশিংনা অসিগুম্বা এটেকশিং মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌবা লৈখি হায়রি।

ইজরেল অমসুং ইজিপ্টকা বোর্দর সিয়র তৌমিন্নবা গজা অসি ইস্লামিষ্ট পালেষ্টিনিয়ন গ্রুপ হামাসনা রুল তৌই। ইজিপস্যান গভর্ণমেন্টনা হামাসপু সিনাই দিজার্টতা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা গ্রুপশিংদা মতেং পাংই হায়না মরাল শীখ্রবনি। হামাসনদি এলিগেসনশিং অদু য়াদ্রি।

হন্দক থা খরসি ইজরেল-গজা বোর্দরদা ঈং-চিকপগী ফীভম লৈখি। তৌইগুম্বসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পালেষ্টিনিয়ন এনক্লিভতগী রোকেট এটেক অমা চথরকখিবদগী ইজরেলনা হামাসকী টার্গেটশিংদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখি।

এনক্লিভ অদুদা থোক্লিবা খুদিংমক্কী রেস্পোন্সিবিলিটি হামাসনা পুফম থোকই হায়না ইজরেলনা হায়রি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা লাল অমা শোক্লখিবদগী হামাসনা ইজরেলগা দি-ফেক্টো সিজফায়র অমা ওবজার্ভ তৌদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং জিহাদিষ্ট সালাফিসকী খুৎলায় পায়বা অপীকপা সেলশিংনা এগ্রীমেন্ট অদু য়াখিদবগা লোয়ননা ইজরেলদা মরক মরক্তা রোকেট এটেক চথখি। এটেকশিং অদু চথবা মতমদা হামাসনা মহৌশানা মসিগী ফাইটরশিংদা ইজরেলনা খুৎ হল্লকপদা টার্গেট ওইবা য়াবা মফমশিংদগী মীশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা ওর্দর তৌখি।

হৌখিবা চহী খরসিদা গজাগী মীওই মিলিয়ন অনীদা হিংবদা চঙবা পোৎ-চৈ কয়া ফংহল্লিবা লোনা য়াদবা মওংদা পোৎ-চৈশিং পুফম ওইবা টন্নেল ২০০০ রোম ইজিপ্টনা থুগায়খ্রে। গজা অসি ইজরেলি নেভিনা ব্লোকেদ থল্লিবা সিটিনি। ইজিপ্টনা হন্দক্তা গজাগা তাইনবা বোর্দরদা অথিংবা থল্লম্বশিং কোমথোকখি।



## রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী তেংবাঙগী পোৎলমশিং পুবা মালেসিয়াগী সিপ য়াঙ্গোন্দা থুংখ্রে

য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ০৯ :
ম্যান্মারগী তাথি-তাওইনা তৌবীরবা মশিং য়ামজদবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু মতেং পাংনবগীদমক্তা চীঞ্জাক অমসুং হীদাক-লাংথক টন ২,৩০০ পুবা মালেসিয়াগী সিপ অমা শগোলশেল নুমিৎতা য়াঙ্গোন্দা থুংখ্রে। কাঙলুপ অদুবু টার্গেট তৌদুনা পাক্তক্লনা মী হাৎপা, রেপ তৌবা অমসুং অতৈ মীওৎ-মীনৈ কয়া চথৈ হায়না আর্মিবু রাইটস গ্রুপশিংনা মরাল কন্না শীরিঙৈ তাল্লক্তা তেংবাঙগী পোৎলমশিং পুবা সিপ অদু থুংলখিবনি।

রোহিংয়া মিলিয়ন অমগী মনুংদা অয়াম্বগী লৈফম ওইরিবা রাখিনে ষ্টেটতা অকনবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি কেম্প্যেন অমা চথখিবা মতুংদা ম্যান্মারগীদমক্তা ‘ফূদ ফ্লোটিলা’ অদু য়াঙ্গোনদা থারকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খি মদুদি, ক্রেকদাউন অদুদা ম্যান্মারগী ফোর্সশিং মীওইবগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া চথখিবগী মরাল লৈরম্বা য়াই।

তেংবাঙগী পোৎলমশিং অদু পুরক্লবা শিল-লাংলিবশিংনা হায়, ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী মীচঙ মীখাই নায়বগী রেকোর্দ লৈরবসু হান্না থাজবা পীখিবা মওংদা পোৎ-চৈশিং অদু থাহনগনি হায়না মখোয়না থাজৈ। ‘ঐখোয়না ম্যান্মারগী সোভরর্ন্টিবু ঈকায় খুম্নবা তাই’ হায়না নন-গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী কোলিসন অমগা লোয়ননা সিপমেন্ট অদুবু লাংবদা মতেং পাংখিবা অমা পুটেরা ক্লব মালেসিয়াগী রাজালি রামলিনা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment 2017 – Union Public Service Commission – Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017 (138 Vacancies) – Last Date 03 March

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017 for 138 Vacancies. Apply Online before 03 March 2017.

Advt. No. : 5/2017-GEOL

**UPSC Job Details :**
Post Name : Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017
No of Vacancy : 138 Posts
Category wise Vacancies :
Geologist, Group A : 40 Posts
Geophysicist, Group A : 40 Posts
Chemist Group A : 25 Posts
Junior Hydrogeologists (Scientist B), Group A : 33 Posts

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Geologist : Master's degree in Geological Science or Geology or Applied Geology or Geo-Exploration or Mineral Exploration or Engineering Geology or Marine Geology or Earth Science and Resource Management or Oceanography and Coastal Areas Studies or Petroleum Geosciences or Petroleum Exploration or Geochemistry or Geological Technology or Geophysical Technology from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India.
For Geophysicist : M.Sc. in Physics or Applied Physics or M.Sc. (Geophysics) or Integrated M.Sc. (Exploration Geophysics) or M.Sc (Applied Geophysics) or M.Sc. (Marine Geophysics) Or M.Sc. (Tech.) (Applied Geophysics) from a University incorporated by an Act of Parliament or State Legislature in India.
For Chemist : M. Sc. in Chemistry or Applied Chemistry or Analytical Chemistry from a University incorporated by an Act of Parliament or State Legislature or other educational Institutes.
For Junior Hydrogeologists : Master's degree in Geology or Applied Geology or Marine Geology from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India.
Nationality : Indian
Age Limit : minimum & maximum age limit is 21 to 32 years for Geologist, Geophysicist and Chemist and 21 to 35 years for Junior Hydrogeologists as on 01.01.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written examination & Interview/ Personality Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST candidates/Sons of JCOs/NCOs/ORs who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 08.02.2017 to 03.03.2017 till 18.00 hrs thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 08.02.2017
Last Date for Submission of UPSC recruitment Online Application : 03.03.2017
Last Date for Submission of Application fee by Challan : 02.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/GEOL_2017_Notification_English.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### SBI Recruitment 2017 – State Bank Of India – 2313 Probationary Officers (POs) Vacancies – Last Date 06 March

**SBI Recruitment 2017**
State bank of India invites Application for the post of 2313 Probationary Officers (POs) in State Bank of India. Apply Online before 06 March 2017.

Advt. No. : CRPD/PO/2016-17/19

**SBI Job Details :**
Post Name : Probationary Officers (POs)
No. of Vacancy : 2313 Posts
Pay Scale : Rs. 23700-42020/-
Categories wise Vacancies :
SC : 347 Posts
ST : 350 Posts
OBC : 606 Posts
GEN : 1010 Posts

**Eligibility Criteria for SBI Recruitment :**
Educational Qualification : Graduation in any discipline from a recognised University or any equivalent qualification recognised as such by the Central Government. Those who are in the Final year/Semester of their Graduation may also apply provisionally subject to the condition that, if called for interview, they will have to produce proof of having passed the graduation examination on or before 01.07.2017.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years as on 01.04.2017
Age Relaxation : OBC (Non Creamy Layer) Candidate 3 years, Scheduled Caste/ Scheduled Tribe 05 years & Persons With Disabilities (PWD) 10 years.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary Examination, Main Examination, Descriptive Test & Group Exercises.

**Application Fee :** SC/ST/PWD Candidates have to pay Rs.100/- and Rs. 600/- for General and Others through online mode of fee collection i.e. Internet Banking, Debit Cards (RuPay/ Visa/ Master Card/ Maestro), Credit Cards, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.
**How to Apply SBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.sbi.co.in form 07.02.2017 to 06.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 07.02.2017
Last Date for Submission of SBI Recruitment Online Application form : 06.03.2017
Date for Payment of Application Fees/Intimation Charges : 07.02.2017 to 06.03.2017
Date of Online Examination (Preliminary) : 29 & 30.04.2017 and 06 & 07.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.sbi.co.in/webfiles/uploads/files/SBI_PO_Rectruitment_ Eng_06022017.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/sbiposjan17/reg_start.php?msg=Application_is_not_yet_started.